# মণিপুর পুলিস অমসুং দিফেন্দিং চেম্পিয়ন নিশা অহানবা ওইনা মায় পাকখ্রে

**9th Manipur State League**

| Match Result | |
|---|---|
| NACO - 0 | MPSC - 2 |
| NISA - 1 | AIM - 0 |

| Today Match | | | |
|---|---|---|---|
| 12.30 | FCK | VS | TRAU |
| 2.30 | ZFC | VS | KLASA |




ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১২ ঃ

ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা চথরিবা ৯ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সি) অমসুং দিফেন্দিং চেম্পিয়ন নোর্থ ইম্ফাল স্পোর্টিং এসোসিএশন (নিশা) থাংমৈবন্দ মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা মণিপুর পুলিসনা নাকো নম্বুল মপাল গোল ২-০ দা মায়থিবা পীদুনা মণিপুর পুলিস ফুল পোইন্ট ফংখ্রে। অহুমশুবা লেগ ফাওবদা মণিপুর পুলিস মমাংগী মেচ অনীদা দ্রো ওইদুনা পোইন্ট অনী ফংদুনা লৈখ্রবনি।

ঙসি অহানবা ওইনা মায় পাকখিবগা লোয়নননা মণিপুর পুলিস পুন্না পোইন্ট মঙা ফংখ্রে। মায়থিহৌরবা নাকো নম্বুল মপাল মেচ অহুম শান্নখিবদা অমা মায় পাকখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেচ অনীনা মায়থিদুনা পোইন্ট অহুম ফংলগা লৈরি।

মেচ অদুদা মণিপুর পুলিসকী শান্নরোইশিংনা য়াম্না হৈশিংনা অমসুং কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নখিবনা মেচকী ২৬ শুবা মিনিটতা কে বেঞ্জামিন্না গোল একাউন্ট হাংদোকখি। টিমদুগী অনীশুবা গোলসু জি গাইখাংনিংকুনা মেচকী ৪৩ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ অদুদা নাকোগী শান্নরোই অহুম সোমেন, অমিট অমসুং দিনেস অদুগা মণিপুর পুলিসকী নিলকান্তদা রেফ্রিনা তোঙান তোঙানবা মিনিটতা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন নিশা থাংমৈবন্দনা এইম খাবম গোল ১-০ দা মায়থিবা পীদুনা নিশা চথরিবা ষ্টেট লীগ অসিগী ওইনা অহানবা মায় পাকপা ঙমখ্রে।

নিশা থাংমৈবন্দ মমাংদা শান্নখিবা মেচ অনীমক মায়থিখ্রবনি। হৌজিক নিশা পোইন্ট অহুম ফংলগা লৈরি। নিশাগী মায় পাকপগী গোল অদু ও রিসিকান্তনা চনখি।

## ইম্ফাল ৱেষ্ট সুপর দিভিজন লীগ

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১২ ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসিএল টর্ফগ্রাউন্দদা চথরিবা ১৫ শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন ললাম্বুং মখোং অমসুং বি এম এস সি তাওবুংখোক মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন্না ৱাই দি ও গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়নগী মায় পাকপগী গোল অদু কে সুরজনা চনখি। ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা বি এম এস সি তাওবুংখোক্না ফ্লাইয়ো থাংমৈবন্দ গোল ৫-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। মেচ চাওনা মায় পাক্লবা বি এম এস সি তাওবুংখোক্কী গোলশিং অদু এন সুরেসনা গোল ২, এন হেরোজিৎ, কে ঐচ রাহুল অমসুং সুব্রমনিনা গোল অমমম চনখি।

## মিনি, জুনিয়র ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়নশিপ



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১২ ঃ

মণিপুর অর্চরি এসোসিএশন্না শিন্দুনা ঙরাংদগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা নিপালশুবা মিনি অমসুং ২৯ শুবা জুনিয়র ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়নশিপ ২০১৪ গী ঙসি পাঙথোকখিবা জুনিয়র গার্লস মিটর ৩০ প্লস ২০ গী কাংলুপ্তা বি সি এ সিগী মালেশ্বরিনা অহানবা, সাইগী এল সিমানা অনীশুবা, য়ু এ সিগী এম ইষ্টরনা ২০ শুবা পোজিশন তাখ্রে।

জুনিয়র বোইজগী কাংলুপ্তা বি সি এ সিগী এল প্রসাদনা অহানবা, আই টি এ সিগী ও প্রেমনা অনীশুবা অমসুং আই টি এ সিগী এস রোবার্টনা অহুমশুবা পোজিশন তাখ্রে। নুপীগী ইন্দিভিজুএল ওলেম্পিক রাউন্দদা বি সি এ সিগী রেজিয়ানা পোইন্ট ৬ ফংদুনা অহানবা, ভি এ এগী সনাইমিনা অনীশুবা অদুগা সিকাগী সি ঐচ দেবিয়ানা অহুমশুবা পোজিশন তাখ্রে।

নুপাগী ইন্দিভিজুএল ওলেম্পিক রাউন্দদা সিকাগী টি ঐচ লানঙম্বনা অহানবা, সাইগী এস রাজেন্দ্রোনা অনীশুবা অদুগা সাইগী পি ঐচ সনামচানা অহুমশুবা পোজিশন তাখ্রে।

নুপীগী টিমগী ওলেম্পিক রাউন্দদা ৱাই এ সিনা অহানবা, সিকানা অনীশুবা অদুগা ভি এ এনা অহুমশুবা পোজিশন তাখ্রে। নুপাগী ওলেম্পিক রাউন্দ টিম ইভেন্টতা সাইনা অহানবা, সিকানা অনীশুবা অদুগা ভি এ এনা অহুমশুবা পোজিশন তাখ্রে।

## এসিয়ন গেমসকী শান্নরোই ৫ খল্লক্লে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১২ ঃ সাউথ কোরিয়াগী ইনচিওন্দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৭ শুবা এসিয়ন গেমস ২০১৪ দা কেনোয়িং অমসুং কয়াক্কিং ইভেন্টতা মণিপুরদগী শান্নরোই মঙা শরুক য়ারুনবা খল্লক্লে। খল্লক্লবা শান্নরোই মঙা অদুদি ইনি দয়ন নেভিদা লৈবা এ চিংচিং, ঈ এম আই আর্মিদগী ও জেমসবোই, সি আর পি এফতগী রঞ্জেনঙম্বী চনু, আই টি বি পিদগী এ ইনাও চনু অমসুং সাই এন ঈ আর সি ইম্ফালদগী টি ঐচ সোনিয়া চনুনি।

ওল ইন্দিয়া কয়াক্কিং এন্দ কেনোয়িং এসোসিএশন্না খল্লক্লবা শান্নরোই মঙা অসিনা সাউথ কোরিয়াগীদমক থা অসিগী ২০ দা ইন্দিয়া থাদোক্লগানি। মখোয় মঙানা এসিয়ন গেমসতা ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা মণিপুরগীদা নত্তনা ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরকপা ওইরসনু হায়না মণিপুর কেনোয়িং এন্দ কয়াক্কিং এসোসিএশন্না খঙহল্লক্লি।






















Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Pucca Building, Ground Floor (Manipur)
Editor : Hemantakumar Ningomba; RNI Registration No. 40746/1978; Tel # (0385) 2440771/2445104 (Advt. Section), (0385) 2445106 (News Section), +91-(0)8414881783 (Readers Care Number), e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com MNP-409, website:www.hueiyenlanpao.com